# নেরোকা এফ সিনা ষ্টেট লীগকী মঙারক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা নিশাবু মায়থীবা পীখ্রে, এস এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ ঃ লমদমসিগী মমিং লৈরবা টিম অমা ওইরিবা নেরোকা এফ সি অমসুং এস এস য়ু শিংজমৈ মায় পাকখিবগা লোয়ননা এস এস য়ু ১২ শুবা মফমদা লৈরম্বদগী তরেৎশুবা মফমদা হায়গৎখ্রে।

ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা চৎথরিবা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা নেরোকা এফ সিনা মণিপুর ষ্টেট লীগকী মঙারক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা মমিং লৈরবা টিম অমা ওইরিবা নিশা থাংমৈবন্দ গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

নেরোকানা হৌজিক পোইন্ট ২২ ফংদুনা লীগকী মকোক্তা লৈখ্রে। নেরোকা এফ সিনা হৌজিক ফাওবদা মেচ নিপান শান্নখিবদা মেচ তরেৎ মায় পাকখ্রে। মেচ অমনা দ্রো ওইদুনা পোইন্ট ২২ ফংলগা লীগকী মকোক্তা লৈবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা নিশা থাংমৈবন্দ মেচ নিপান শান্নখিবদা মেচ মরি মায় পাকখ্রে। মেচ অনীনা দ্রো ওইখ্রে। অদুগা মেচ অনীনা মায়থীদুনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা মঙাশুবা মফমদা লৈরি।

লমদমসিগী খ্বাইদগী মপাঙ্গল কল্লবা টিমশিংগী মনুং চল্লিবা নিশা অমসুং নেরোকা এফ সি অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা টিম অনীমক্না অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।



হৈশিংলবা শান্নরোয় ঙাক্তা ওইবা মরম্না মেচ অসি কনানা মায় পাক্কদগে হায়বা ঙম্নখিদ্রবসু মেচ অদুগী হাফ মতুংদা নেরোকা এফ সিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নরক্তুনা টিমদুগী গোল অনীমক থংনা থংননা চনশিনখি। নেরোকা এফ সিগী অহানবা গোল অদু ফোরেন প্লেয়র ইজিগু চিনিদু ইমানুএলনা মেচকী ৫৫ শুবা মিনিটতা য়াম্না হৈশিংনা কাওখিবা দাইরেক্ট ফ্রি কিক অমদা গোল ওন্থোকখি।

নেরোকা এফ সিনা গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং নিশাগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি অদুবু গোল মাঙজিল থারিবা নেরোকা এফ সিগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় সি ঐচ সুসিলকুমারনা টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৮০ শুবা মিনিটতা চনখি।

গোল শোথরিবা নিশানা মেচ অদুদা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা নেরোকা এফ সিগী মখুৎতা মায়থীখি। মেচ অদুদা নেরোকা এফ সিগী এম ধনঞ্জয় মেচকী ৩৪ শুবা মিনিটতা, ইজিগু চিনিগু ইমানুএল মেচকী ৫০ শুবা মিনিটতা অদুগা নিশাগী টি দিপক মেচকী ৫০ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এস এস য়ু শিংজমৈনা নাকো নম্বুল মপাল গোল ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা এস এস য়ু ১২ শুবা মফমদা লৈরম্বদগী হৌজিক তরেৎশুবা মফমদা হাইগৎখ্রে। মায় পাক্লবা এস এস য়ুনা মেচ মাপন শান্নখিবদা মেচ অনী মায় পাকখ্রে। মেচ অমনা দ্রো অদুগা মেচ তরুক্না মায়থীদুনা পোইন্ট তরেৎ ফংলগা তরেৎশুবা মফমদা লৈখিবনি। অদুম ওইনমক মায়থীহৌরবা নাকো নম্বুল মপান মাপনশুবা মফমদা লৈখ্রে।

মেচ অদুদা টিম অনীমক্না য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি। মেচ অদুদা এস এস য়ুগী মায় পাকপগী গোল অদু এম দি রিয়াজ খাননা মেচকী ৭৩ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা এস এস য়ুগী খমিনথাং অমদি আজমির চিজটিদা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম তোঙান তোঙানবা মিনিটতা বুক তৌখি। হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ক্রুগপু নম্বোল অমসুং এফ সি জালেনগা শান্নরগনি।

# অহানবা নোর্থ ইষ্ট সব জুনিয়র স্পিদ ক্লাইম্মিং কম্পিটিসন



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ ঃ

নোর্থ ইষ্ট জোন স্পোর্টস ক্লাইম্মিং কম্মিটিনা শিন্দুনা ঙসি মিনুথোংদা লৈবা এম এম টি এগী কমপ্লেক্সতা অহানবা নোর্থ ইষ্ট সব জুনিয়র স্পিদ ক্লাইম্মিং কম্পিটিসন ২০১৬ ষ্টেট তরেৎনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর, নাগালেন্দ, আসাম, সিক্কিম, ত্রিপুরা, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মিজোরামদগী লাকপা নুপা অমসুং নুপী ক্লাইম্মর ৪৭ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা স্পিদ ক্লাইম্মিং কম্পিটিসন অদুগী নুপীগী কাঙলুপ্তা অরুনাচল প্রদেশকী পিশা য়াগুনা অহানবা পোজিসন তাখি। মিজোরামগী ললাওমাওমিনা অনীশুবা অদুগা মিজোরামগী থেলমলালদিনথারিনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা অরুনাচল প্রদেশকী দেমু পুলুনা অহানবা পোজিসন তাখি। মণিপুরগী মঙাল য়ুম্নাম্না অনীশুবা অদুগা মিজোরামগী ইশাক ভনলাল টেকানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

স্পিদ ক্লাইম্মিং কম্পিটিসন অসিদা মকোক মথং তাখ্রবা ক্লাইম্মরশিংদা মনা য়েন্থোকখি।

অমরোমদা হয়েং মফম অসিমক্তদা মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেক্কিং এসোসিএশন (এম এম টি এ) অমসুং মণিপুর স্পোর্টস ক্লাইম্মিং এসোসিএশন অনীনা পূন্না শিন্দুনা ১৮ শুবা নোর্থ ইষ্ট জোনেল স্পোর্টস ক্লাইম্মিং কম্পিটিশন হৌদোক্লগনি।

কম্পিটিশন অসি হয়েং অয়ূক পুং ১০ তাবা মতমদা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী কম্মিস্নর হৱাইবম দিলিপ, এম এম টি এগী প্রসিদেন্ট এন ইবুংঙোচৌবী, মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএশনগী সেক্রেটরি সুনিল এলাংবম, আই এম এফ নেসনল স্পোর্টস ক্লাইম্মিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন কর্নেল অজিৎ দত্ত (এস এম), মণিপুর স্পোর্টস ক্লাইম্মিং এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম সুরেস অমসুং আই এম এফ নোর্থ ইষ্ট জোন স্পোর্টস ক্লাইম্মিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন য়েংখোম সুরচান্দনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

## সি এম সি এ ত্রোফি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ ঃ থোংজু চিগোংলৈ মখোঙ দিভলপমেন্ট ক্লব (টি সি এম দি সি) না শিন্দুনা ঙসিদগী মঙাশুবা সি এম সি এ ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্ট চৎথবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা দেভিদ এলেভেন থাংমৈবন্দনা আই এ এস থাংমৈবন্দ রন ২২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা দেভিদ এলেভেনগী সুনিল বোসনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

হয়েং টি সি এম দি সি পেচু লম্পাক অমসুং সুপর ষ্টার নাইন কোইরৌ অনীনা শান্নরগনি।




HL-P/1016/15-30 oct.-1,3,4,5nov.

# বিষ্ণুপুর থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগতা এ কে এস এ অমসুং এন ঈ ৱাই এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ ঃ

দি এস এ বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চৎথরিবা অনীশুবা এ ইবোতোন থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এ কে এস এ জুনিয়র ৱাক্তা অমসুং এন ঈ ৱাই এ নিংথৌখোং মায় পাকখ্রে।

টিম ১১ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চৎথরিবা লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা অক্সা জুনিয়রনা ক্লাসা এফ সি জুনিয়র কৈনৌ গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।



মেচ অদুদা মায় পাক্লবা অক্সা জুনিয়রগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নখিবনা মেচ অদুগী ১৬ শুবা মিনিটতা এম দি রিয়াজউদ্দিন্না গোল একাউন্ট হাংদোকখি। টিমদুগী শান্নরোয় এম দি অবদুল ফজালনা অনীশুবা গোল মেচকী ১৮ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৩৪ শুবা মিনিটতা মোহম্মদ ফারুখনা চনখি। এম দি জাকিরনা টিমদুগী মরিশুবা গোল মেচকী ৪৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ মায়থীহৌরবা ক্লাসা এফ সি জুনিয়র কৈনৌগী ৱাই রোবিনসন মেচকী ৪০ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এন ঈ ৱাই এ নিংথৌখোংনা বি এফ সি বিষ্ণুপুর গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এন ঈ ৱাই এগী অহানবা গোল ঐচ তাইবংঙানবনা মেচকী ১০ শুবা মিনিটতা অদুগা টিমদুগী অনীশুবা গোল ও রোহিটনা মেচকী ২৬ শুবা মিনিটতা চনখি।

হয়েং অহানবা মেচ অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা পি আই সি অমসুং আই সি এস এগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ঈ সি ঐচ ও অমসুং য়ু এফ এগা শান্নরগনি।

# ক্রিপসানা উত্তর প্রদেশ গোল ৭-০ দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ ঃ উরিষাগী কটক্তা চৎথরিবা ইন্দিয়ন ৱিমেন'স লীগ ২০১৬-১৭ ক্বালিফাইয়র ষ্টেজগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ক্রিপসা নাওরেমথোংনা উত্তর প্রদেশ গোল ৭-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা ক্রিপসাগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদুগী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নদুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা মীকুপ কাংদনা অকনবা এটেক কয়া চৎখি।

ক্রিপসাগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা হেনখিবা মরম্না মেচ অদু ৱানসাইদেদ ওইখি। ক্রিপসাগী য়াম্না মমিং লৈরবা শান্নরোয় দাংমৈ গ্রেসনা গোল মরি মেচকী ৮, ১৫, ৫০ অমদি ৬৪ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি। টিমদুগী শান্নরোয় রোসনিনা গোল অনী মেচকী ২৭ অমসুং ৬২ শুবা মিনিটতা চনখি। বিদ্যারানিনা গোল অমা মেচকী ১৮ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা উত্তর প্রদেশনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা মায়থীখি।




HL-B/3383/13-1nov.




HL-B/3363/4-30,1-4 nov. (alt)




HL-B/3374/8/10-7/11

